# মেসিগী অর্জেন্টিনানা নেমারগী ব্রাজিলবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা কোপা অমেরিকা কপ লৌখ্রে



রিওদি জেনৈরো, জুলাই ১১ (এজেন্সী):

সাউথ অমেরিকাগী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি অয়ূক অঙনবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা মেসিনা লুচিংবা অর্জেন্টিনা-না নেমার য়াওবা ব্রাজিলবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা কোপা অমেরিকা২০২১গী টাইটল লৌখ্রে।


রিও দি জেনৈরো সিটিদা লৈবা মার্কানা ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদু অর্জেন্টিনাগী ওইনা কেপ্টেন ওইরিবা লিওনেল মেসিগী য়াম্না মরুওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরি। মহাক্না অর্জেন্টিনাগী কেপ্টেন ওইনা শরুক য়ারকখিবা ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্টশিংদা টাইটল লৌবা ঙমদনা লাক্লি। ঙরাং মায় পাকখিবা অদুনা চহী ২৮গী মতুংদা মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমগী টাইটল লৌবা ঙম্বা অহানবনি। লোয়ননা কোপা অমেরিকা ফাইনেলগী ওইনা কুমজা ১৯৩৭তা ব্রাজিলবু অর্জেন্টিনা মায়থীবা পীখিবা অদুগী মতুং চহী ৮৪ লৈরগা ঙসি ব্রাজিলবু ফাইনেলদা থোইবা ঙমখি।

কুমজা ১৯৯৫দগী হৌরগা অর্জেন্টিনানা শরুক য়ারকপা ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্টশিংগী ফাইনেলদা মায় পাকপা ঙমদনা রন্নর্স অপ তাদুনা লাকখি। ১৯৯৫ অমসুং ২০০৫দা ফিফা কনফিদরেসন কপ ফাইনেল অনী মায়থীবা নংখি। কুমজা ২০০৪, ২০০৭, ২০১৫ অমসুং ২০১৬তা কোপা অমেরিকাগী রন্নর্স অপ তাদুনা লাকখি। লোয়ননা ২০১৪ ফিফা ৱর্ল্ড কপকী ফাইনেলদা অর্জেন্টিনা জর্মনিগী মখূৎতা মায়থীবা নংখিবনি। মতম শাংনা ঙাইরক্লবা অর্জেন্টিনানা ফাইনেল মায় পাক্তুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী অহানবা হাফ টিম অনীমক লম্বা মান্ননা মায়োক্ল-রম্লবা মতুং অর্জেন্টিনাগী কাউন্টর এটেক অমদা রোদ্রিগো দি পোলনা পীরকখিবা বোল অমদা টিমমেট এঞ্জেল দি মারিয়ানা শান্নবগী ২২শুবা মিনটতা ব্রাজিলগী গোলকিপর অদুবু লাম্থোক্লগা কাওশিনখিবা বোল অদুনা মেটচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল ওইরগা অর্জেন্টিনানা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অদুদা মেসি অমসুং নেমারনা পূন্না প্লেয়র ওফ দি সেরিজ তাখি। অদুগা দি মারিয়ানা ফাইনেলগী মেন ওফ দি মেটচকী মনা অদু ফংবা ঙমখি।

# নোভাকনা ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টাইটল লৌখ্রে, ইন্দিয়ন অমেরিকন সমিরনা জুনিয়র টাইটল ফংখ্রে



লন্দন, জুলাই ১১ (এজেন্সী):

ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নুপাগী শান্নরোয় সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচনা ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট-কী ফাইনেলদা ইটালিগী মাটিও বেরেটিনিবু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে। জুনিয়র বোইজকী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়ন অমেরিকন শান্নরোয় সমির বেনর্জীনা অতোপ্পা য়ু এস এগী শান্নরোয় ভিক্টর লিলোবপু মায়থীবা পীদুনা টাইটল ফংখ্রে।

নোভাক জোকোবিচ অমদি মাটিও বেরেটিনিনা লম্বা তৌনখিবা ফাইনেল মেটচ অদু অহানবা সেটতা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনবা হৌখি। সেট অদুগী গেম ১২ শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা নাকল অনীমক গেম ৬-৬ থোইনদুনা লৈরকপদগী টাই ব্রেক শান্নখি। মদুদা বেরেটিনিনা পোইন্ট ৭-৪দা থোইরগা সেট অমা মাঙজিল থাখি। নীংশিংবা য়াই, জোকোবিচনা মহাক্কী সেমীফাইনেলদা কানাদাগী দেনিশ সাপোভালোবপু ষ্ট্রেট সেট অহুমদা মায়থীবা পীরমখি। অমরোমদা, মাটিও বেরেটিনিনা পোলেন্দগী হুবর্ট হুর্কাজপু সেট ৩-১দা থোইখিবনি।

ঙসিগী ফাইনেল মেটচ অদু বেরেটিনিনা সেট অমা মাঙজিল থাবা ঙমখ্রবসু অনীশুবা সেট হৌরকপদগীদি জোকোবিচনা লাকশিনবা হৌরকখি। মহাক্না বেরেটিনিগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৪দা থোইখি। অহুমশুবা সেট অদুসু মহাক্না ৬-৪দা চপ মান্ননা থোইরগা সেট ২-১দা মাঙজিল থারবা মতুং মরিশুবা সেট অদুসু ৬-৩দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

অমরোমদা, মশাগী চহী ১৭ শুরবা সমির বেনর্জীনা ৱিম্বলদন জুনিয়র বোইজকী টাইটল ফংবা অসি মহাক্কী করিয়রগী অহানবনি। মহাক্না চহী অসিগী অনীশুবা গ্রান্দস্লাম ওইখিবা ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট শরুক য়াখিবদা অহানবা রাউন্দদা মায়থীবা নংখি। ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকপদগী গেম ৫-৫ ফাওবা মান্নদুনা লাকখ্রবা মতুং বেনর্জীনা থংনবা গেম ২ থোইদুনা ৭-৫দা অহানবা সেট অদু লৌখি।

২শুবা সেটতদি সমির বেনর্জীগী মায়কৈদগী ফজবা হেল্লকপদগী ভিক্টর লিলোবকী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌবা ঙমদুনা ৬-৩দা থোইদুনা জুনিয়র বোইজকী টাইটল অদু লৌখি। মমাংদা জুনিয়র থাক্তা গ্রান্দস্লাম টাইটল ফংখিবা ইন্দিয়া মচাশিংগী মনুংদা য়ুকি ভাম্ব্রি (২০০৯ ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন), লিয়ান্দর পেস (১৯৯০ ৱিম্বলদন, ১৯৯১ য়ু এস ওপন), রমেশ কৃষ্ণন (১৯৭৯গী ৱিম্বলদন অমসুং ফ্রেঞ্চ ওপন) লোয়ননা রামানাথন কৃষ্ণন (১৯৫৪ ৱিম্বলদন)নি।

নুপাগী দবলসতা ক্রোএসিয়াগী প্যের নিকোলা মেক্টিক অমসুং মাটে পাভিসনা অর্জেন্টিনাগী হোরাসিও জেবালোস অমদি স্পেনগী মার্সে গ্রানোলর্স থোইরগা টাইটল লৌখি। অদুগা নুপীগী দবলসতনা রসিয়াগী প্যের কুদরমেটোভা অমসুং ভেস্নিনানা চেম্পিয়ন ওইখি।

# ইন্দিয়াগী নুপীগী টিমনা ইংলেন্দবু রন ৮দা অনীশুবা মেটচ থোইখ্রে

হোভ, জুলাই ১১ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিমনা ইংলেন্দদা শান্নবা টুরগী মনুং চনবা অনীশুবা টি-২০ মেটচতা ঙসি য়ূম্বু লৈবাক অদুবু মখোয়না রন ৮দা থোইদুনা মেটচ অহুমগী সেরিজ অদু ১-১দা লৈখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদুগী টোস ইংলেন্দনা ঙমদুনা বোল হান্না লংখি। মদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা বেটসমেন ৪ আউট ওইরগা রন ১৪৮ লৌবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী ওপনর স্মৃতি মনধনা অমসুং নহা ওইরিবা সফালি বর্মানা অহানবা ৱিকেটকীদমক রন ৭০ হাপ্তুনা ফজবা হৌখি। মনধনা রন ২০দা আউট ওইখ্রবা মতুং হর্মনপ্রিট চঙলকখি। অদুবু মখোয় অনীগী অনৌবা পার্টনরশিপ অদু ফীভম তাদ্রিঙৈ বোল ৩৮দা রন ৪৮ লৌরম্লগা সফালি বর্মা আউট ওইখি। নৌনা চঙলকপা দিপ্তি শর্ম্মা অমসুং হর্মনপ্রিটনা ইন্নিংস মখা তানা পুখৎতুনা রন ১১২ ফাওবা য়ৌহল্লকখি।

হর্মনপ্রিট শুপ্নগী বোল ২৫দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ২ য়ৈরগা রন ৩১দা আউট ওইখি। রিচা ঘোশ রন ৮দা আউট ওইখি। মতমদুদা রন ১২৫ লৈখি। অদুবু দিপ্তি শর্ম্মা অমসুং স্নেহা রানানা ইন্নিংস লোইশিনবা ফাওবা শান্নদুনা রন ১৪৮ শুহনখি।

ইংলেন্দনা মেটচ অদু মায় পাক্লনবা রন ১৪৯গী টার্গেট অদু য়ৌননবা শান্নরকপদা শুপ্নগী রন ১৩ খক্তা ঙাইরিঙৈদা ওপনর দেনিএল ৱাইদ আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিনখিবা নটালি স্কাইবরসু শুপ্নগী রন ১দা আউট ওইখি। ওপনর টামি বোমোন অমদি হেদর নাইটনা অহুমশুবা ৱিকেট পার্টনরশিপতা রন ৭৫ হাপচিন্দুনা রন ১০৬ য়ৌরকখি। অদুবু বোমোন বোল ৫০ দা রন ৫৯ লৌরম্লগা আউট ওইখিবদগী মহাক্কী পার্টনর হেদর নাইটসু অপূনবা স্কোর ১০৬ লাম্থোক্ত্রিঙৈদা রন ৩০দা আউট ওইখিবদগী মখা তারকপা বেটসমেনশিং ফজবা ঙমখিদবা মরম্না ইন্দিয়ানা থম্লম্বা টার্গেট রন ১৪৯ য়ৌবা ঙমখিদবদগী অপূনবা ওভর ২০ লোইশিল্লকপদা বেটসমেন ৮ আউট ওইরগা রন ১৪০দা ইন্নিংস লোইশিনখিবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা রন ৮দা থোইবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পুনম য়াদবনা ৱিকেট ২, রেদ্দি অমসুং দিপ্তিনা ৱিকেট অমমম্ লৌরগা ফিল্ডরশিংগী মায়কৈদগী ফজবনা ইংলেন্দগী বেটসমেন ৪ আউট তাহন্দুনা মায় পাকপা ঙমখি।

# য়ুরো ২০২০ ফাইনেলসতা ভাবোকশিং ষ্টেদিয়ম চঙবদা হেন্না চেকশিনগদৌরি

লন্দন, জুলাই ১১ (এজেন্সী):

ঙসি নোংয়াই মতুং পুং ১২.৩০দা লন্দনগী ৱেমব্লে ষ্টেদিয়মদা শান্নগদৌরিবা য়ুরোপিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২০গী ফাইনেল মেটচতা মীৎয়েং তাবা লাক্কদৌরিবা ভাবোকশিংনা টিকেট পায়দুনা চঙলক্লবসু মহাক্না ষ্টেদিয়ম মনুং য়ৌদ্রিঙৈদা কোভিদ-১৯ শন্দোকপদা রিস্ক য়ামদে হায়বগী প্রুফ উৎপগী তঙাইফদবা লৈরক্লি।



কোভিদ-১৯গী দেল্টা ভেরিএন্টনা নৌনা চৈথেং পীরক্তুনা মশীং হেনগৎলক্লিবা অসিগী য়েংলগা ভাবোকশিংগী মরক্তা ভাইরস অদু শন্দোকপা য়াবগী চাংদা লৈবা য়াওরম্লবদি মাংজৌননা স্ক্রিন তৌহৌদ্রবদি ষ্টেদিয়ম মনুং য়ৌখ্রবা মতমদা মীয়াম পূনবা মরম্না মখা তানা শন্দোকপা য়াবগী তাঞ্জা লাক্লি। য়ুরোপিয়ন ফুটবোল এসোসিএসননা থোকখিবা অনৌবা কাঙলোনগী মতুংইন্না ভাবোক অমনা ষ্টেদিয়ম চঙলকপদা মখোয়না টিকেটিং সিষ্টমদা পীরকপা আইদেন্টিটি অদুগা মোবাইল মেটচ টিকেটশিং অদুগা চানগদবনি। লোয়ননা কাঙলোন অসিগী মতুংইন্না ষ্টেদিয়ম চঙলকপদা ফেস মাস্ক উপকদবনি। অদুগা মনুং য়ৌবা ফাওবা উপ্লবা মতুং মখোয়না ফম্ফম য়ৌরবা মতমদা লৌথোকপা য়াগনি হায়রি।

ভাবোকশিংনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন কাপ্লে হায়বগী ইভিদেন্স নৎত্রগনা ষ্টেদিয়ম অদুদা চঙদ্রিঙৈ পুং ৪৮গী মমাংদা কোভিদ টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইবগী রিপোর্ট অদুসু উৎকদবনি হায়রি। মখা তানা কাঙলোন অদুনা মাস্ক উপ্পা, দিসইনফেক্টেন্ট ষ্টেসনশিং শীজিন্নবা, ফিজিকেল কন্টেক্ট লৈহন্দবা, সোসল দিষ্টেন্সিং থম্বা অমসুং লোক খূবা/হাকথী খনবদা খূৎনীংনা খনবগী থবকশিং অদু পায়খৎকদবনি হায়রি। মেটচ অদু হৌদ্রিঙৈ মাংওইননা পুংখায় অমগী মমাংদা ভাবোকশিংনা মখোয়গী ফম্ফমদা লৈগদবনি হায়রি। লোয়ননা হাফকী মতমদা ভাবোকশিংনা অতোপ্পগা ৱারী-ৱাতায় শানবগী তাঞ্জাসু লৈহল্লোইদৌরি।

# টৌকিও ওলিম্পিক্সতা এথলেটিক্সকী শান্নরোয় কোভিদ পোজিটিভ ওইরক্লবদি থংননা লৈবা খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয় অদুনা শরুক য়াগদৌরি

টৌকিও, জুলাই ১১ (এজেন্সী):

ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি অমসুং ইন্টরনেসনল ফেদরেসনশিংনা টৌকিও ওলিম্পিক্সতা ট্রেক এন্দ ফিল্ডগী দিসিপ্লিনগী ওইনা করিগুম্বা এথলিট অমা ওলিম্পিক্স মনুংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরক্লবদি মমাংগী রাউন্দদা মহাক্কী মথংদা খ্বাইদগী ফজনা লৈখিবা এথলিট অদুদা খূদোংচাবা পীরগনি।

ৱাফম অসি ঙসি ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী মখাদা লৈবা স্পোর্টস স্পেসিফিক রেগ্যুলেসনা লাউথোরকপনি। এথলিট অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবনা মরম ওইদুনা কম্পিটিসন মখা তানা শরুক য়াবা ঙম্লক্তবা মতমদা মহাকপু দিসক্বালিফাই ওইবগী ৱাফম লৈরোই। মদুগী মহুৎতা দি এন এস (দিদ নোট ষ্টার্ট) হায়না মার্ক তৌগদৌরি।

অনৌবা রেগ্যুলেসন অসিনা মখা তারদুনা ফোঙদোকখিবদা, ট্রেক এন্দ ফিল্ড ইভেন্ট অসি নুমীৎ মশীং য়াম্না চঙনা লোইশিনগদবা মরম্না মরক্তা এথলিট অমা কাঙলোনগী মতুংইন্না কোভিদ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরক্লবদি মহাক্কী মখাদা লৈহৌবা খ্বাইদগী নক্লবা এথলিট অদুনা মহুৎ শিল্লগা কম্পিটিসন মখা তাগদৌরি। অনৌবা কাঙলোন অসি মিটর লিশিং ১০গী লমজেল, মরাথোন লমজেল অমসুং ৱাক রেস ইভেন্টতদি এথলিটশিং অদু অমুক্তদা চাংদম্নবা মরম্না মহুৎ শিনবগী ৱাফম লৈরোইদৌরি। এথলিট মশীং ৱাংনা অদুম্মক মখা তাগদৌরি। ইন্দিয়াগী ওইনা টৌকিও ওলিম্পিক্সতা মেন্বর ২৬না ট্রেক এন্দ ফিল্ডগী ইভেন্টতা শরুক য়াগদৌরি।



## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

### অহানবা অমদি অনীশুবা কোভিদ-১৯ ৱেভকী লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংদা খেন্নবা কয়া লৈ



কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী ফর্ষ্ট ৱেভ লাকখিবা মতমদা সী এস ও অমদি লৈকাই-লৈকাইগী ক্লবকী ওর্গনাইজেসনশিংনা লৌখৎখিবা চেকশিন থৌরাংশিং সেকেন্দ ৱেভতা লৌখৎপগা য়াম্না খেন্নবা উবা ফংলি। পব্লিক প্লেস, মার্কেট প্লেস অমদি লৈকাই-লৈকাইদা, ষ্ট্রিটশিংদা হীদাক লাংথক কাপথোকপা নৎত্রগা সেনিটাইজ তৌবগী চাং অসিসু কোভিদ-১৯ ফর্ষ্ট ৱেভতা তৌখিবা চাং অদুগা য়েংলুরগদি কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ অসিদদি তাইওন্নবা হায়বদু মীয়াম্না উবা ফংলে। কন্টেনমেন্ট জোন এরিয়াশিংদা য়েংলগসু পুলিসনা মাইক্রফোনদা কন্টেনমেন্ট জোননি হায়না লাউথোক্লম্বা অদু নৎতনা সিক্যুরিটি ঙাক্তুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলম্বা অদুসু তৌখিদ্রে। হায়রিবা চেকশিন থৌরাংশিং অসি কোমথোক্লা থম্বা মরম্না কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা মীওইশিংসু করিগুম্বদা থোক্লকপা হায়বসিসু য়াওদবা নত্তে। কোভিদ-১৯ পেন্দমিক সেকেন্দ ৱেভ অসিদদি মীয়ামসু অদুক্কী মতীক চেকশিনবা হায়বদু ইৱাৎ ৱাৎপ্রা হায়না খল্লি। মাস্ক অমদি সেনিটাইজর শীজিন্নবসু অদুক্কী মতীক ৱাৎলব্রা হায়না খল্লি। পেন্দমিক অসিগী অহানবা লাকখিবা ফর্ষ্ট ৱেভকী মতমদদি ফেমিলি অমদা পোজিটিভ ওইবগী চাং ইয়াম য়াল্লমদে অমদি কন্টেক্ট তৌরবসু থোইনা পোজিটিভ ওইবগী চাংসু ৱাংলমদে। সেকেন্দ ৱেভ অসিদদি ফেমিলি পূন্না-পূন্না পোজিটিভ ওইবগী চাং ৱাংখৎলক্লি। মরম অদুনা চেকশিনমিন্নসি।

❒ রেক্কি মাইৱাম, মোইরাং বজার

### মমা-মপাশিংনা স্মার্ট ফোন পায়রিবা চহী নৌরিবা অঙাংশিংদা মীৎয়েং চঙহন্নীংই



হৌজিক-হৌজিক লমদম অসিদা চথরক্লিবা কোভিদ পেন্দমিক অসিনা মরম ওইদুনা চাওরাক্লা চহী ১ হেনবদগী মহৈরোয়শিংনা মহৈ তম্বা ফংদনা লাক্লি। অঙাংশিংগা লাইরিক্কা লাপথোক্লখিদনবগী পান্দমদা স্কুলশিংনা ওনলাইন ক্লাসকী থবক তৌরক্লি। অদুবু হৌজিকমক্কী ওইনা অফবা খোঙথাং অমা ওইরিবা ওনলাইন ক্লাস তৌরিবা অসিগীদমক মমা-মপাশিংনা তঙাইফদনা চঙবা স্মার্ট ফোনশিং লৈদুনা অঙাংশিংদা শীজিন্নহল্লি। অঙাংশিং অসিগী মরক্তা কাঙলোন চুম্না ওনলাইন ক্লাস তৌরবা মতুংদা লাইরিক-লাইশু পাদুনা লৈবা অফবা মহৈরোয় কয়া অমসু য়াওরি। অদুগা মহৈরোয় কয়া অমদি ওনলাইন ক্লাস লোইরবা মতুংদা মানা-মানা পায়রিবা স্মার্ট ফোন অদুদা তোঙান-তোঙানবা মতম মাঙহনবগী থবক তৌদুনা লৈরি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। চহী নৌরিবা অঙাংশিং অসিনা মোবাইলদা গেম শান্নদুনা মতম মাঙহনবা অমদি মমা-মপা, অহল-লমনশিংদগী নোংম-নোংমগী অসুম লাপথোরক্লি। মসিনা অঙাংশিং অসিগী ৱাখল্লোনদা অচৌবা অহোংবা অমা লাকহল্লে। মরম অদুনা তঙাইফদনা মমা-মপা ওইবশিংনা অঙাংশিংনা শীজিন্নরিবা স্মার্ট ফোন কাঙলোন চুম্না শীজিন্নরিব্রা হায়বা নুমীৎ খূদিংগী য়েংশিনবা মথৌ তারে। স্মার্ট ফোন তোয়না শীজিন্নবনা থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়া লমদম অসিদা লেপ্পা লৈতনা থোক্লি। মসিদগী ঙাকথোক্লবা অমদি অঙাংশিংবু অচূম্বা লম্বীদা পুরকপা ঙম্নবগীদমক মথক থোংবশিংনা লমজিং-লমতাকপীবা অমদি অমাঙবনা করিনো, কান্নবনা করিনো খঙহন্নবা হোৎনহন্নীংই।

❒ নিংথৌজম সঞ্জয়, অৱাং পোৎশংবম খুনৌ

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১২।০৭।২০২১ ইং, নিংথৌকাবা; অয়ুক পুং ৮.২০ ফাওবা ঈঙেনগী ২নি পাল্লি, মতুংদি ৩নি পাল্লনি।

**মেষ :** লৌশিং তানশিনবগী লম্‌দা মায় পাক্কনি অমদি মীয়াম্না চানবীগনি। অনৌবা থৌরম পাংবা অমদি শকখঙদবা লোয়নবদি লন ময়েং তাবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**বৃষ :** হকচাং নুংঙাইরনি, নীংবসু থুংগনি অমদি নথৌনা-নরিংজেল ফুদোকপা কান্নগনি। অদুবু নাপলদি থাদোকউ নত্রদি মরল মাঙহঞ্জগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

**মিথুন :** মায় থোইনা পাকচবা, নীংবা মপা চাবা অমদি হরাউবা পোকচবা নুমীৎনি। য়েৎনবা, অশাওবা অমদি ৱায়াম ঙাংবনা মাঙহনবা লৈ- চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- খাঙবা কল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক

**কর্কট :** ৱাখল খরদি নুংঙাইজগনি, অশা ময়োল চোংবগুম অমদি মীংচৎ খজিক্তং হেনগৎপগুম ফাওগনি। অদুবু অয়েৎপা/পংশিনবদি হান্নগুম লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং

**সিংহ :** খনবগা নীংবগা চান্নরোই অদুনা অচূম্বদা য়ূম্ফম ওইরগা থৌ পাংউ-শাফগনি। মীনা ইনশিনবা ঙাইদনা হান্নদৈ পাংলকপা থবক্তা নীংহন্নগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফরি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কন্যা :** পাঙ্গল ফুদোকপা য়াবা, ইচং থৌবসু কান্নবা অমদি ৱাখল থোকপা নুমীৎনি। মায় পাকপা অমদি মীংচৎ ফংবা শোইদে-কনাবুসু কিগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**তুলা :** থৌনা ফুদোক্লা থবক পাংবা, অনৌবা অশা লাকপা অমদি মীচঙ হেনগৎপা নুমীৎনি। অদুবু অঙম্বনা চৈবীবা য়াবা অমদি লাংতক্লবনা মাঙজবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল খরদি নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক

**বৃশ্চিক :** নঙগী ওইবা মীগী মতেং লৌবা য়াগনি, থিবা হুম্বগী কান্নবা য়াম্না ফংগনি অমদি মরুপ লোয়নবনা ফগনি। ইমুং-মনুংদা হুরানবা চঙই।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা লৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**ধনু :** অয়াম্বা লম্‌দা মায় পাকপা ৱাগনি-তপথৌ। নাইতোম অনৌবা থবক অমত্তা পাংগনু, অদুবু নীংহন্নবদি তৌগনু। লাই-গুরুগী ৱাতমক তাউ।
লৈশা পাখংশিংগী- পূক্নিং ফাথনা লৈখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ


**মকর :** লাইবক ফগনি, নীংবদুমক পাংবা য়াগনি অমদি অফবা মিংচৎ ফংজগনি। পোরম শীনবা হৈগনি অমদি ঙাংথোকপদসু পকচবা নুমীৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**কুম্বা :** ৱাখল নুংঙাইবা, মীচঙ হেনগৎপা অমদি ওইজবা নুমীৎনি। অদুবু য়েৎনবা মরমদা য়াওরুনু অমদি হৈ-শিংবা শাগনু-তৌফম খঙদবা লাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিন :** হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা, হেন্না অশা চাওরগা মতম মাংবা অমদি নচা-ননাই ময়েং তাবা লৈ। অফবা মফমদি ফংজগনি অমদি মরুপ-মপাং য়াম্মী।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 167**

**Poetsch, Hagen (2267) - Savchenko, Aleksij (2163)**
**DEM U18 2008 Willingen GER (3), 2008.05.12**

| | | |
|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 d6 | 3.d4 cxd4 |
| 4.Nxd4 Nf6 | 5.Nc3 a6 | 6.Bg5 e6 |
| 7.f4 Nbd7 | 8.Bc4 b5 | 9.Bxe6 fxe6 |
| 10.Nxe6 Qa5 | 11.Qd4 b4 | 12.Nd5 b3+ |
| 13.Kf2 Kf7 | 14.axb3 Qb5 | 15.Ndc7 Qb8 |
| 16.Nd8+ Kg6 | 17.f5+ Kh5 | 18.h3... |

**QUESTION :**
White to win

**Puzzle 166 Ans. :**
26. ...Rf6+The black rook clears the way for Black's bishop to the square f8. 27.Bxf6 Bf8+ 28.Bg7 Bxg7#Bishop and knight mate Double bishop mate
26. ...Rf6+ 27.Bxf6 Bf8+ 28.Bg7 Bxg7#

এল.জি. মোটর্স

EMPLOYMENT NEWS

IMPHAL BRANCH :- Security/Gunman-2, Office Asst.-2, Car Driver-2, Grade IV-2
SAMUROU BRANCH :- Office Asst.-2, 2 Wheeler Mechanic-2, Car wash Helper-2, Tyre Fitting Helper-2, Car Driver-2, Grade IV-2, Brick Mistry-3 & Jugali-5 (Rs.15,000 to Rs. 25,000)
MOIRANG BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
THOUBAL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
NAMBOL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2

Pl. Contact : L.G. MOTORS
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,
IMPHAL-WEST MANIPUR
CONTACT No. :- 9774495994 / 8731978490

OFFICE HOUR :
10.00 AM TO 4.00 PM

HL-B/6970/28/6-18/7

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com